ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO

The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur




আর্ট এন্দ কলচর লোয়শঙনা মণিপুর নট সঙ্কীর্তন অপূনবগা খূৎশম্নদুনা নিংথেম পৃখ্রি মপালগী শ্রীশ্রী রামজি প্রভু মান্দবতা সঙ্কীর্তন নুমিৎ পাঙথোক্লদুনা রাজকুমার সিংহজিৎকী ফোটোদা লৈ-শু কৎতুনা ইকায়খুম্নবা


লৌশিং পূক্কে : হার্ট এটেক তৌহল্লক্তনবা ঐখোয়না ... ☛ লামায় ২

লামায় ৪ ☛ ইরমদমগী মহৈরোয়শিংনা মহৈ করম্না তম্নি

কুইশিল্লক্লদি মণিপুরসে ইরমদমনি হায়নীংলক্তবসু ... ☛ লামায় ৫

লামায় ৬ ☛ খোরিরোলগী থৌদাং লৌরিবশিংদা মনা লাম্থোক্লগনি

দেবেন্দ্র ফড়নাবিসনা মহারাষ্ট্রগী সী এম ওইরগনি... ☛ লামায় ৯

লামায় ১২ ☛ এম এন সী এ প্লেট টুর্নামেন্ট : ৱাই দল্লিয়ু সী...


উরিপোক অপূনবা লূপ অমসুং উরিপোক নুপী লূপনা উরিপোক খাইদেম লৈকায়দা লেপ্তুনা চথরক্লিবা খূথাং চরা হেনবগী খোঙজংদা শরুক য়াখিবীশিংনা কুকি টেররিষ্টশিং চৈরাক পীনবা তকশিনখিবা





Vol. 48, Issue No. 242 | শগোলশেন, পোইনুগী মরিনি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Thursday, December 05, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


# মণিপুরগী লানগী মতাংদা থিজিল্লিবা 'কম্মিসন ওফ ইনক্কারি' না রিপোর্ট পীখৎলকপগী মতম মে ২০, ২০২৫ ফাওবা শাংদোকহনখ্রে

## জিরিবামদগী অঙাং ৩, নুপী ৩ হাৎখিবগী থৌদোক ৱিমেন কম্মিসনগী ফেক্ট ফাইন্দিং টিম অমনা থিজিল্লগনি



**ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৪ (ঐচএনএস :** মমাঙ চহী ২০২৩গী মে ৩গী নুংথিলদগী কুকি টেররিষ্টশিংনা মীতৈদা ওনশিন্দুনা চথরক্লিবা তমথীরবা লান অসিগী মতাংদা থিজিন্নবা শেমখিবা গৌহাটি হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিস ওইরম্বদগী থবক্তগী পোথারবা জষ্টিস অজয় লম্বানা লুচিংবা কম্মিসন ওফ ইনক্কারিনা মণিপুরগী লানগী মতাংদা থিজিল্লবা মতুংদা পীখৎলক্কদবা রিপোর্টকী মতম অমুক হন্না শাংদোকহনখিবগা লোয়ননা মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেন (এম এস সী দল্লিয়ু) নসু জিরিবামদগী পীক্লিবা অঙাং ৩ অমসুং নুপী ৩ পূন্না মীচম ৬ তমথীবা মওংদা হাৎখিবগী থৌদোক কম্মিসন অসিগী ফেক্ট ফাইন্দিং টিম অমনা থিজিল্লগনি হায়রি।

হৌজিক ফাওবদা লেপত্রিবা মণিপুরগী তমথীরবা লান অসিগী মনুংদা য়ামদ্রবদা মীওই ২৫৮গী পূন্সি মাঙখ্রে হায়না পান্নরক্লিবা লান অসি করি মরমশিংদগী থোরকখিবনো অদুগা লান অসিগী মনুংদা থোকখ্রিবা থৌদোকশিং অদুনা করি-করিনো হায়বা য়াওনা লানগা মরী লৈনবা থৌদোক-ৱাথোক পূম্নমক্কী মতাংদা থিজিন্নবা কম্মিসন ওফ ইনক্কারি অসি লান চথরকখিবা থা ২ মপূং ফাখিবা জুন ৪, ২০২৩দা শেমখিবনি। জষ্টিস অজয় লম্বানা লুচিংবা কম্মিসন ওফ ইনক্কারি অসিদা থবক্তগী পোথারবা আই এ এস ওফিসর হিমান্সু সেখর দাস অমসুং আই পি এস ওফিসর অলোকা প্রভাকরসু য়াওরিবনি।

কম্মিসন ওফ ইনক্কারি অসি যুনিয়ন লৈঙাক্না শেমখিবগী মতুংইন্না কম্মিসন অসিগী মায়কৈদগী অহানবা পাঙথোকখিবা সিট্টিংদগী থারগা থা ৬কী মনুংদা যুনিয়ন লৈঙাক্তা মণিপুরগী ...মখা লমায় ৩ কলম ১

# ঙসি ফাওবদা নুমিৎ ৫৮৩ শুরক্লবা মণিপুরগী লান মনুংদা নুমিৎ ৪০৯ থোঙ লোল্লুরবা ষ্টেট সেন্ত্রেল লাইব্রেরি হিংখিগদ্রা

- ষ্টাফ ২৮ লৈগদবদা ৯ খক্তনা চলাইরে
- সিট কেপাসিটি ১৫০ খক লৈরম্বদা কোন্নদদুনা সিফ্ট ২ খায়দোক্লম্বদু হৌজিক্তি মী ১০০ ফানা লাক্রে
- অৱাৎপা ষ্টাফ হাপত্রবদি শুপ্নতগী ষ্টাফ ৪ খক্তনা চলাইগদৌরে



ষ্টেট সেন্ত্রেল লাইব্রেরি, ইম্ফালগী দিসেম্বর ৪, ২০২৪দা ওইখিবা শক্তম

এন এস মঙাং

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৪ (ঐচএনএস :** উহৈ য়াম্না পানবা উপাল মরু লুকই হায়নবগুম লাইরিক-লাইশু নীংথিনা হৈরবা মীওইশিং নোল্লুকই অমসুং মতিক চাবা মী অমা ওই হায়রবসু ফীভম অসি ওইহল্লক্লবা হোৎনবদা চঙলিবা 'লৌশিংগী পূক্কে' মক্নি হায়বা য়ারবা ঙসিদগীনা চহী ৫৬কী মমাঙ অদুঙৈ কুমজা ১৯৬৮দা লীংখৎখিবা মণিপুর লৈঙাক্না চলাইবা ষ্টেট সেন্ত্রেল লাইব্রেরিগী ফীভমদি হৌজিক হিংখিগদ্রা নৎত্রগা শিরগদ্রা হায়বগী ৱাহং মীয়াম্না হংনরক্লে।

মহৈ-মশীন তল্লিবা মহৈরোয়শিং খক্তা নত্তনা নুপী-অঙাং খাক্তনা মীওই পূম্নমক্তা লৌশিংগী মঙাল ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## কর্ফিয়ু

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৪ (ঐচএনএস):** ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, বিষ্ণুপুর অমসুং ককচীং দিষ্ট্রিক্টতা হয়েং অয়ূক পুং ৫দগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা কর্ফিয়ুগী অথিংবশিং কোমথোক্কনি হায়না দিষ্ট্রিক্টশিং অসিগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংগী মায়কৈদগী থোরকপা ওর্দরশিংনা খঙহল্লক্লি।

## মোংবুংদা কাপশিল্লকখ্রে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৪ (ঐচএনএস):** ঙরাং নুমিদাং পুং ৭.৩০ রোম তারকপদা জিরিবাম পি এসতগী মখারোমদা কিলোমিটর ৭ লোম লাপ্না লৈরিবা মোংবুং মীতৈ খুলদা থংননা লৈমিন্নরিবা জাইরোনপোকপী রোমদগী কুকি টেররিষ্টশিংনা নোংমৈ রাউন্দ ১০ রোম কাপশিন্দুনা কাইহৌরকখ্রে। অদুম ওইনমক খুল অসিবু ঙাক শেল্লক্লিবা ষ্টেট অমদি সেন্ত্রেল ফোর্সশিংগী মায়কৈদগী খূৎ হনখিদবদগী মখা তানা নোংমৈ কাপ্লকখিদ্রে হায়রি।

## নাচৌদা খোঙজং

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৪ (ঐচএনএস):** মমাঙথাগী ১৬তা খোইশাওনরবা মীয়াম্না এম এল এ-মিনিষ্টরশিংগী য়ূমদা থোমজিন্নখিবগী মনুং চন্না নিংথৌখোংদা লৈবা মিনিষ্টর গোবিন্দাসকী য়ূমদা থোমজিন্দুনা অমাঙ অতা থোকহনখি হায়বগী চার্জদা পুলিসনা ফাজিনখিবা নহা ৬ কনি দশন অমত্তা য়াওদনা থাদোরক্কদবনি হায়না ঙসি নাচৌ পম্থোংদা নাচৌ অপূনবা মৈরা পায়বী লূপনা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখ্রে।

## বোম দিস্পোজ

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৪ (ঐচএনএস):** ঙসি অয়ূক পুং ১১ রোম তারকপদা চুড়াচান্দপুর পি এসনা কোনবা লাইকা মুৱালসাওদা ৫৬-সিখ রেজিমেন্টনা ওপরেশন চথবদা থেংনরকখিবা লোকল মেদ বোম অমা ত্রোংলাওবী মনীংগী মোন্সাং লৈকায়দা পুরক্লগা মী শোকহন্দনা দিস্পোজ তৌখ্রে হায়রি।

## য়ু জি ৫ জেলদা থাজিনবদা ৩ ফোর্মেল এরেষ্ট তৌখ্রে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৪ (ঐচএনএস):** শীংজমৈ পি এসনা লৌখৎপা কেস অমগা মরী লৈননা ফাদুনা পুলিস কষ্টদিদা থল্লকখিবা কে সী পি (এম সী-লানঙম্বা) গী কাদর ৫ ঙসি পুলিস কষ্টদি মতম লোইরদুনা স্পেসল জজ (এন আই এ), ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ তৌরদুনা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

# তোংবীনবা লাক্তবদগী লৈঙাক্না চুড়াচান্দপুর ১সুং সেনাপতি ফাওবা চেনগনি থৌরাংলম্বা বস ২ থৌদোক্লুরগা অমুক থৌজিনখ্রে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৪ (ঐচএনএস) :** মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ সেক্রেটরিনা ঙরাং 'পব্লিক আপিল' হায়দুনা থোরকখিবা চেরোল অমদা ইম্ফালদগী কাংপোকপী ফাওরগা সেনাপতি অমসুং বিষ্ণুপুর ফাওরগা চুড়াচান্দপুর ফাওবগী মরক্তা পব্লিক ভেহিকলশিং ঙসিদগী অমুক হন্না চেলহনবা হৌরগনি হায়খিবগী মতুংইন্না ঙসি অনীসি য়ৌনা চৎকদবা পেসেঞ্জর অমত্তা লাক্তবদগী বস অনী অদু ফনা কুইনা খামদুনা ঙাইরম্লবা মতুংদা অমুক হন্না থৌজিনখ্রে হায়রি।

বস অনীদা মথংশিংনা 'ইম্ফাল-সী সী পুর' অমসুং 'ইম্ফাল-সেনাপতি' হায়বা ইবা চে ফাওবা থেৎতুনা থমখি। অদুম ওইনমক পেসেঞ্জরশিং লাক্তবদগী






অয়ূক মোইরাংখোমদা লৈবা এম এস টি কমপ্লেক্সতগী সেনাপতি অমদি চুড়াচান্দপুরদা পেসেঞ্জরশিং পুদুনা চৎনবনি হায়দুনা বস অনী খামদুনা থমখি। অদুবু মফম চৎখিদ্রে হায়রি।

পনবা য়াবদি, চীফ সেক্রেটরিনা ঙরাং থোরকখিবা চেরোল অদুদা থৌরাং ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

# মণিপুরগী লান : নবেম্বর ৯দা দেল্লীদা ওপোজিশন আই এন দি আই এ ব্লোকনা খোঙজং চঙশিল্লগনি

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৪ (ঐচএনএস) :** মে ৩, ২০২৩দগী হৌরকখ্রবসু মণিপুর অমদি যুনিয়ন লৈঙাক্না খামদবদগী লেপ্তুনা চথরক্তুনা থা ২০ চঙশিল্লক্লবা মণিপুরগী লান অসিগী ৱারোইশিন যুনিয়ন লৈঙাক্না পুরক্কদবনি হায়বগী দিমান্দ তৌরদুনা থা অসিগী ৯দা ন্যু দেল্লীগী জন্তর মন্তরদা আই এন দি আই এ ব্লোকনা অচৌবা খোঙজং অমা চঙশিনগদৌরি।

খোঙজং অসিদা আই এন দি আই এ ব্লোককী মপাং ওপোজিশন পার্টিশিংগী শক্লাইরবা লুচিংবশিংসু শরুক য়াহন্নবগীদমক হায়জনবা মাঙজৌননা দেল্লীদা চৎখ্রবা ব্লোক অসিগী মণিপুরগী কনভিনর ক্ষেত্রিময়ুম শান্তনা ঙসি নুমিদাং দেল্লীদগী টেলিফোন তৌদুনা খঙহল্লকপদা খোঙজং অসি থা অসিগী ৬তা চঙশিন্নবগী পার্মিসন পীরক্লে। অদুবু নুমিৎ অসিদা আই এন দি আই এ ব্লোককী লুচিংবশিংগী মীফম অমা পাঙথোক্কদবা লৈবগা লোয়ননা বাব্রি মসজিদকী থৌদোক অমসুং ডা. অম্বেদকরনচিংবগী থৌরমসু লৈবনা তঙাইফদনা থা অসিগী ৯দা পাঙথোক্লবা ব্লোক অসিদা ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

# ইন্টরনেট থিংজিল্লকপনা মোবাইল দাটা সর্ভিস প্রোভাইদরশিংদসু খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লহল্লে

হেমচান্দ নিংথৌজম

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৪ (ঐচএনএস) :** মমাঙ থাগী ১১দা জিরিবামদগী অঙাং ৩ অমসুং নুপী ৩ ফাদুনা পুথ্রবা মতুংদা তমথীবা মওংদা হাৎলগা বরাক তুরেলদা থাদরকপদগী মথং-মথং হকচাং ওইনা ফংবা হৌরকপদগী খোইশাওনরবা মীয়াম্না মমাঙ থাগী ১৬তা এম এল এ-মিনিষ্টরশিংগী য়ূমদা থোমজিনবা হৌরকপদগী লৈঙাক্না ঈরাং লাকশিন্নবনি হায়দুনা নুমিৎ অদুগী নুংথিলদগী ঙসি ফাওবা নুমিৎ ১৯নি চূপ্না থিংজিল্লক্লিবা ইন্টরনেট/মোবাইল দাটা সর্ভিস অসিনা মরম ওইরদুনা মণিপুরগী মীয়ামদা মোবাইল দাটা সর্ভিসকী খুদোংচাবা ফংহল্লক্লিবা প্রোভাইদরশিংদসু খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লহল্লম্লে।

হীরম অসিগী মতাংদা ঙসি পাউচে অসিনা মোবাইল দাটা প্রোভাইদরশিং ওইরিবা খুয়াথোংদা লৈবা জিও অমদি এয়রটেলগী ওফিসশিংদা চৎতুনা হংলুবদা প্রোভাইদর অনীসিগী ওফিসলশিংনা মখোয়দসু খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরে। মীয়াম মরক্তগী সিম য়াখিদবা নৎত্রগা মাঙখিবনচিংবা থোরকপগী কমপ্লেন্ট লাকপা মতমদা খুদোংচাদবা অদু কোক্লবা হোৎননবগীদমক ঐখোয়গীসু হ্বাইট লিষ্ট তৌনবা কন্না হোৎনরি। খুদোংচাদবদি য়াম্না মায়োক্লরে অদুবু ঐখোয়না থেংনরিবা অৱাবশিং অদুগী মতাংদদি ঐখোয়না করিসু হায়বা ঙমদে। মোবাইল দাটা প্রোভাইদর অনীগী হেদ ওফিসতা চৎলগা হংবীয়ু হায়না ফোঙদোরকখি। অদুম ওইনমক পাউচে অসিনা প্রোভাইদর অনীসিগী ওফিসতা লৈরিঙৈদা মেন ওফিসকা মরী লৈনবা ওফিসলশিং ইন্সপেক্সন লাকপগা মপা চানরুদুনা হংলুবদা মখোয়নসু গুৱাহাটিদগী রিপোর্ট লাক্তবদি স্যের তৌবা ঙমদে। খুদোংচাদবশিং অসিগী রিপোর্ট ঐখোয়না শ্বাইদগী স্যের তৌবগী অয়াবসু লৈতবনিনা মেন ওফিসতগী রিপোর্ট লাক্তবদি করিমত্তা হায়বা ঙমদে হায়না ফোঙদোরকখি। পনবা য়াবদি, পাউচে অসিদা ইন্টরনেট থিংবগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরিবশিংগী ৱাকৎ মীয়ামদা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবনি।

# লৈথাও অমদি মোলথাম খুল ২গী মরক্তা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবা ১৩গী নীংশিং খুভম মায়খুম হাংদোকখ্রে



**ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৪ (ঐচএনএস) :** ঙসিদগীনা চহী অমগী মমাঙ কুমজা ২০২৩গী ঙসিগী নুমিৎ অসিদা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী লৈথাও অমদি মোলথাম খুল অনীগী মরক্তা লৈবা মফম অমদা মরমদম মণিপুর কন্নবগীদমক লান্থেংনবা চৎপদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবা ১৩গী অহানবা নীংশিং থৌরম ঙসি অন্দ্রো খুনৌ তোরোংথেল অমদি কামু কোইরেং খুল অনীগী লোন্নবদা লৈবা ইন্টিগ্রিটি পার্কতা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা মখোয় ১৩গী নীংশিং খুভমসু মায়খুম হাংদোকখ্রে। ...মখা লমায় ৩ কলম ১

HL-B/9189/5,7,8,11,12


